# ২০২৪ পেরিস ওলিম্পিক গেমসকীদমক সাইখোম মিরাবাই ট্রেনিং তৌবা হৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী ৱেথলিফটিংদা অনৌবাপুৰারী শেন্বা ঙমখ্রবী সিলভর মেদল লৌখিবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা কুমজা ২০২৪দা ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা অহেনবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্নবগীদমক ট্রেনিং চথবা হৌখ্রে।

সাইখোম মিরাবাইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াগী মেদল একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখ্রবা মতুং সোসল মীদিয়াদা মহাক্কী পর্ফোর্মেন্স অমদি মহাকপুথাগৎৱাহে ফোঙদোরকপশিং অদুনা ভাইরেল ওইদুনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হান্না মণিপুরবু মশক খঙলমদবশিং অদুসু মিরাবাইনা নৌহৌননা মশক খঙহনবা ঙমখ্রবনি। কিলোগ্রাম ৪৯গী ৱেথলিফটিংগী কম্পিটিসন অদুদা মিরাবাই চনুনা সিলভর ফংলগা চাইনাগী এথলিটনা গোল্ড ফংখিবনি। মহাক্কী মায়কৈদগী টোকিওদা ফংখিবা সিলভর মেদল অদু পেরিস ২০২৪ গেমসতা গোল্ডদা ওন্থোক্নবা অকনবা থাজবগা লোয়নননা ট্রেনিং চথবা হৌখি। ঙরাং মিরাবাই চনুনা ইন্দিয়াগী মীয়ামদা ফোঙদোকখিবা য়াম্না ফজবা ৱাফম অমদা নুপীমচাশিংনা শান্নবগীহীরমদা খোঙদাহন্দুনা মতেং পীবীয়ু হায়খি। মশাগী চহী ২৭ শুরবী মিরাবাইনা মহাক্কী করিয়রগী ঙল্লিঙৈ মতমদা থেংনরকখিবা অৱাবশিং অদু করিগুম্বা মমা-মপা ওইবশিংনা মচানুপীশিং অদুবু ঙন্না মখোয়-মখোয়গী অপান্বশিং অদু খঙদোক্তুনা শান্নবগী লম্দা খোঙদাহল্লবদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা য়াবা কয়া অমা থোক্লক্কনি হায়খি।

জর্মনিগী স্পোর্টসৱের কম্পেনি এদিদাসনা মিরাবাইবু মখোয়গী অনৌবা ব্রেন্দ এম্বেসেদর ওইনা মশক খঙখি। তোঙান-তোঙানবা কম্পেনি অসিগী শান্নবগী ফিজোল অমদি অতোপ্পা প্রদক্টশিংদা মহাক্কী মমিং য়াওরগনি। মমিং লৈরবা ফূদ সপ্লিমেন্ট কম্পেনি অমা ওইরিবা ন্যুট্রিলাইটকী তোঙান-তোঙানবা প্রদক্টশিংদসু সাইখোম মিরাবাইনা ব্রেন্দ এম্বেসেদর ওইগদৌরি। ফাষ্ট মুভিং কঞ্জুমর গূদস (এফ এফ সী জি) গী মায়কৈদগী এমৱেগী মরুওইবা প্রদক্টশিংগী কেম্পেন চথবদা মিরাবাই চনুগী মমিংনা মাঙজিল থাদুনা ব্রেন্দ এম্বেসেদর ওইবগী খূদোংচাবা অদু লৌদুনা কম্পেনি অসিগী ওইবা প্রদক্টশিং অদুদা মহাক্কী মমিং য়াওগদৌরি।

# বনশাজ, প্রিটি অমসুং অতোপ্পা ৪ ফাইনেল য়ৌখ্রে

ASBC ASIAN YOUTH & JUNIOR
BOXING
CHAMPIONSHIPS
2021-DUBAI

দুবাই, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী সিটি দুবাইদা চথরিবা এসিয়ন য়ুঠ এন্দ জুনিয়র বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী বনশাজ, প্রিটি অমসুং অতোপ্পা বোক্সর মরি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

বনশাজনা নুপাগী কিলোগ্রাম ৬৪গী কাঙলূপ্তা ইরানগী বোক্সর ফারিদি এবোলফাজলবু ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। নুপীগী বোক্সর প্রিটি দাহিয়ানা মহাক্কী সেমীফাইনেল বাউটতা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর উত্তামোভা রুক্সোনাগা লম্বা তৌনরকপদা য়াম্না লেং মান্নবা বাউট অদু স্কোর ৩-২দা মায় পাক্লগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৮০গী য়ুঠ সেক্সনদা ইন্দিয়াগী ভিশালনা কজখষ্টানগী বোক্সর দোরেন মামিরবু মায়থীবা পীদুনা মহাকসু ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। নুপীগী কিলোগ্রাম ৫২গী কাঙলূপ্তা সিমরন বর্মা অমসুং নুপীগী কিলোগ্রাম ৬৬কী কাঙলূপ্তা স্নেহা কুমারীসু মখোয়-মখোয়গী সেমীফাইনেল বাউটশিং অদুদা লম্বা তৌগদবা বোক্সরশিং অদু লাক্তবদগী ৱাক ওভর ফংদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

এসিয়াগী ওইনা জুনিয়র অমসুং য়ুঠ কেটগোরি অনীমক পুল্লগা বোক্সিংগী পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। জুনিয়র বোক্সিংগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর মঙাসু সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙল্লি। নুপামচাগী কাঙলূপ্তা কিলোগ্রাম ৫৪গী কাঙলূপ্তা অসিশ অমসুং কিলোগ্রাম ৫৭কী কাঙলূপ্তা আন্সুল সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙল্লি। অদুগা জুনিয়র গর্লসকীদা কিলোগ্রাম ৪৮গীদা বিসু রাথি, কিলোগ্রাম ৫২দা টানু লোয়নননা কিলোগ্রাম ৬০গীদা নিকিটা চান্দনা সেমীফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

অমরোমদা, নুপাগী কিলোগ্রাম ৬৭কী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী দক্স সিংহ, কিলোগ্রাম ৯২দা অভিমন্যু লোরা অমসুং কিলোগ্রাম ৯২ মথক্কীদা অমন সিংহ বিষ্ট মখোয়-মখোয়গী সেমীফাইনেল বাউটশিং অদু মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলগা মখোয়গী কেম্পেন অদু লোইশিনখি।

# ইন্দিয়াগী গনসেখরন সাথিয়াননা চেক ইন্টরনেসনল ওপন টাইটল ফংখ্রে



প্রাগ, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
চেক রিপব্লিক্কী সিটি ওলোমুখতা পাঙথোকপা চেক ইন্টরনেসনল ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় গনসেখরন সাথিয়াননা লৌখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় গনসেখরননা য়ুক্রেনগী শান্নরোয় য়েভেন রিচচেপোবু গেম ৪-০দা থোইদুনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি। মশাগী চহী ২৮দা ঙাইরিবা গনসেখরননা য়ুক্রেনগী চহী ৩৬ শুরবা শান্নরোয় য়েভেনবু ফাইনেল মেটচ অদুদা অকনবা লম্বা মায়োক্নরবসু ১১-৯, ১১-৬, ১১-৬, ১৪-১২দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। অহানবা গেম অদু লম্বা য়াম্না মান্নরবা মতুং গনসেখরন সাথিয়াননা পোইন্ট ২ হেল্লগা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম অদু ইৱা ৱাদনা ১১-৬, ১১-৬তা থোইখ্রবা মতুং মরিশুবা গেম অদুদা য়ুক্রেনগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা প্রেসর পীরক্তুনা পোইন্ট ১২-১২ ফাওবা মান্নরবা মতুং গনসেখরননা থংনবা পোইন্ট অনী লৌরগা ১৪-১২দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী গনসেখরননা স্বিদেনগী ক্রুলস মোরেগার্দকা সেমীফাইনেল শান্নবা অদুদা গনসেখরননা ১১-৪, ১১-৮দা গেম অনী থোইরবা মতুং অহুমশুবা গেম অদুসু ৮-২দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈ মোরেগার্দকী মায়কৈদগী অশোকপা লৈরক্তুনা মখা তানা শান্নবা ঙমদবদগী ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৩৯শুবা থাক্তা লৈরিবা চেন্নাইদা পোকপা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা গনসেখরন সাথিয়াননা চেক ইন্টরনেসনল ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদগী টাইটল লৌবা ফাওবা গেম অমত্তা মায়োক্নবা শান্নরোয়শিংনা থোইবা ঙমখিদে। ইন্টরনেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা চেলেঞ্জর টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেক ইন্টরনেসনল ওপন অসিগী টাইটল ফংখিবা অসিগা লোয়নননা কুমজা ২০১৬কী বেলজিয়ম ওপন অমসুং কুমজা ২০১৭কী স্পেনিশ ওপন টাইটল লৌখ্রবা মতুং ঙরাংগী টাইটল অসি থারগা পূন্না গনসেখরননা মহাক্কী করিয়রদা আই টি টি এফ চেলেঞ্জর টাইটল অহুল্লক শুবা ওইনা লৌবা ঙল্লি।

# শিন্তাকপুরেল সাইখোম নোদিয়া লৈখিদবদা ইকাই খুম্নবা উৎলক্লি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস):
অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী মায়কৈদগী শিন্তাকপুরোল সাইখোম নোদিয়া মঙাংনা লৈখিদবদা ইকাই খুম্নবা উৎলক্লি।

লূপ অসিগী মায়কৈদগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি ও কে মোংয়াম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না খুরাই সাজোর লৈকাই থরোইজম লৈরক্তা লৈবা মশাগী চহী ৯০ শুখ্রবা শিন্তাকপুরেল সাইখোম নোদিয়া মঙাংনা লৈখিদবদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট, জেনরেল সেক্রেটরি, লুচিংবা মেম্বর কয়ানা ৱা ঙাংদনা মীৎকুপ খরা লেপ্তুনা হুয়েন লানলোংগী ইকাই খুম্নবা উৎখি হায়রি।

শিন্তাকপুরোল নোদিয়ানা হিংলিঙৈ মতমদা হুয়েন লানলোংগীদমক্তা কথোকপীরম্বা লোয়নননা হিংলিঙৈ মতমদা ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসনবু কুমজা ১৯৯৮দা লিংখৎপদা লৌরম্বা থৌদাংশিং অদুবু নীংশিংখি। কুমজা ২০১৬তা হুয়েন লানলোং থাঙ-তা তৌবা খূদিংমক পূনশিনগদবনি হায়না অহল ওইরবা শিন্তাকপুরেলনা লৌরম্বা থৌদাং কাউফম থোক্তে হায়না লূপ অসিগী চেরোলনা মখা তারি।

এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী সিলেবস শেম্বদা ক্লাস নাইন অমসুং টেন, ইলেভেন অমসুং ত্বেল্ভ লোয়নননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্পোর্টস সাইন্স দিপার্টমেন্টতা থাঙ-তাগী ময়েক থল্লম্বনি।

# অহুমশুবা টেষ্টতা ইন্দিয়াগী ফীভম শোক্লি, ইংলেন্দনা নীনি শুবা নুমীৎকী অহুমশুবা সেসন ফাওবদা রন ২৮৩ মাঙজিল থাদুনা লৈরি

লন্দন, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা টেষ্ট মেটচ মঙাগী সেরিজ মনুং চন্না ঙরাংদগী হৌখিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংস শুপ্নগী রন ৭৮দা লোইশিনখিদুনা ফীভম শোক্লি। ইংলেন্দনা ঙসি টেষ্ট মেটচ অসিগী নীনি শুবা নুমীৎকী অহুমশুবা সেসনগী অথেংবা ফাওবদা রন ২৮৩ হেন্দুনা লৈরি।

মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শুপ্নগী রন ৭৮ খক লৌরগা ওভর ৪১গী ৪শুবা বোলদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা ইন্নিংস লোইশিনখিবনি।

পনবা য়াবদি, সেরিজ অসিগী অহানবা টেষ্ট মেটচ দ্রো চৎখ্রবা মতুং অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদুনা ইন্দিয়ানা রন ১৫২দা ইংলেন্দবু মায়থীবা পীরগা ঙরাংদগী লীদস সিটিগী হেদিংলে ক্রিকেটগ্রাউন্দদা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ শান্নবা হৌখিবনি।



ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওপনর রোহিট শর্ম্মানা রন ১৯ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদু বোল ১০৫ মায়োক্নবদা রন মশীং অদু লৌখিবনি। মদুদা মহাক শুপ্নগী ফোর অমখক য়ৈরমখি।

রোহিটকী মতুংদা মঙাশুবা বেটসমেন অজিনক্যা রাহনেনা বোল ৫৪দা রন ১৮ লৌরম্বা অদুনা পনবা য়াবা স্কোর ওইখি। অতোপ্পা বেটসমেনশিংদিরন ১০ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখিবনি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ফাষ্ট বোলর জেমস এন্দরসননা ওভর ৮ লংবদা রন ৬ খক পীরগা ইন্দিয়াগী বেটসমেন অহুম আউট তাহনখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি। টিম অদুগী অতোপ্পা বোলর ক্রেগ ওভরটনসু ৱিকেট অহুম লৌবা ঙমখি। লোয়নননা অতোপ্পা বোলর অনী রোবিনসন অমসুং শাম কুরনসু ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি। ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ঙসিনীনি শুবা নুমীৎকী অহুমশুবা সেসনগী অথেংবা ফাওবদা বেটসমেন ৫ আউট ওইরগা রন ৩৬১ লৌদুনা ইন্দিয়াদগী রন ২৮৩ হেন্দুনা লৈরি।

ইংলেন্দগী ওপনর অনী রোরি বর্নস অমসুং হাসিব হামিদনা রন ৬১ অমসুং ৬৮ লৌবা ঙমখি। মখোয় অনীগী মতুংদা ৩শুবা বেটসমেন দাৱিদ মালান রন ৭০ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী কেপ্টেন জো রুট ৩শুবা সেসনগী অথেংবা ফাওবদা আউট ওইদনা রন ১০৭ লৌদুনা লৈরি। জেনি বাৰ্ষ্টো রন ২৯দা আউট ওইখি। লোয়নননা জোস বটলরসু রন ৭তা আউট ওইদুনা অথেংবদা মোইন অলি অমসুং জো রুটনা ইংলেন্দগী অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৩৬১ লৌরি।

# অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অমদি চীফ এদভাইজরগী থৌসু পুবীরম্বা হৈয়াম ইবোহলনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

হাওবম মরক কৈশাম লৈকাইদা লৈবা হৈয়াম ইবোহলনা ঙরাং লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা ইমুং-মনুংনা থেংনরিবা অৱাবশিংদসু শরুক য়ারি হায়রি। লৈখিদ্রবা হৈয়াম ইবোহল নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মাষ্টর্স লেভেলগী থৱায় য়াওবা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়াবা ঙমখি হায়না এসোসিএসন অসিগী চেরোল অমগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেলনা মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা থৌনীখি।

# ওলিম্পিয়ন শুশিলা ওক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস):
মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা জুদো শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াখিবী লিকমাবম শুশিলা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ইন্দোর হোলদা হয়েং নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী মেম্বরশিং অমদি কোচ অমসুং শান্নরোয়শিং য়াওনা ওলিম্পিয়ন শুশিলা লিকমাবমবু ওক্কদৌরিবনি।

# বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা সেপ্টেম্বর থাদা নুপাগী নেসনল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্নবা শিল্লি

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
মথং থাগী ১৫দগীনা ২২ ফাওবা কর্নাটাকা ষ্টেটকী বেলারি সিটিদা লৈবা ইন্সপায়র ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা নুপাগী নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্ননবা শেম শারি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা বোক্সরশিংনা হেদগার্দ শীজিন্নবগী খূদোংচাবসু লৈহন্নবা হোৎনরি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকপা ঙমখিদ্রবা নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদু ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসননা হৌখিবা থাদা শেমদোরকখিবা তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিশিং অদুগী মতুংইন্না পাঙথোক্নবা শিল্লিবনি। মমাংদা লৈরম্বা নুপা বোক্সরশিংগী ৱেথ কেটগোরিদগী হৌজিক-হৌজিক ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসননা কেটগোরি অহুম হাপচিন্দুনা মশীং হেনগৎলকখি। কিলোগ্রাম ৪৮, ৫১, ৫৪, ৫৭, ৬০, ৬৩.৫, ৬৭, ৭১, ৭৫, ৮০, ৮৬, ৯২ অমসুং ৯২ মথক্কী ৱেথ কেটগোরিশিংদা বোক্সরশিং অসিনা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

অতোপ্পা খোঙথাং অমদা কুমজা ২০১৩দা নুপাগী এমেচর বোক্সিংদা হেদগার্দ উপ্পগী লৈরম্বা কাঙলোন অদু লৌথোকখিবনি। অদুবু ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসন অমদি ওলিম্পিক্সকী মতাংদা নুপাগী বোক্সরশিংগী ওইবা কম্পিটিসনশিংদা হেদগার্দ উপ্তুনা লম্বা তৌহল্লকখিবনি। অদুবু নেসনল বোক্সিং এসোসিএসনশিংনা মখোয়গী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদবা বোক্সিং টুর্নামেন্টশিংদা বোক্সরশিংনা হেদগার্দ উপ্পগী খূদোংচাবা অদু লৌবা য়াবগী তাঞ্জা অমা পীরি। হীরম অসিগী মতাংদা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল হেমন্ত কালিতানা ফোঙদোরকপদা, সেপ্টেম্বর ৩দা এসোসিএসন অসিগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা বোক্সরশিংনা হেদগার্দ উপ্পা য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়বগী তংদাংবা ৱারেপ অমা লৌগনি হায়রি।

BOXING
FEDERATION OF
INDIA

# এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা মাসেন অমসুং পেদ্রো মাঞ্জি সাইন তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা ইন্দিয়াগী ওইবা দোমেষ্টিক সিজন শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা স্লোভেনিয়াগী শান্নরোয় লুকা মাসেন অমসুং স্পেনগী পেদ্রো মাঞ্জি ক্লব অদুদা নৌনা সাইন তৌখ্রে।

অনৌবা শান্নরোয় অনী অসিনা এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা দোমেষ্টিক ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা ওইনা মথং থাদা কোলকাটাদা পাঙথোক্কদৌরিবা দুরান কপতা শান্নবা হৌগদৌরি। এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদ দুরান কপকী অপূনবা টিম ১৬কী মনুংদা অমা ওইরিবনি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা স্লোভেনিয়াগী শান্নরোয় ষ্ট্রাইকর লুকা মাসেন মমাংগী সিজনদা গোৱাগী চর্চিল ব্রদর্সতা শরুক য়াদুনা আই লীগ শান্নবা হৌখিবনি। মহাক আই লীগতা পূন্না পাঞ্জল ১১ চন্দুনা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখি। মহাক্কী মায়কৈদগী এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদতা শান্নগদৌরিবা অসি য়াম্না হরাউবা ফাওই। লোয়নননা ক্লব অসিগী কোচ রিচার্দ হুদকী মখাদা শান্নগদৌরিবা অসি য়াম্না লাইবক ফবনি হায়খি।

অমরোমদা মহাক্কা লোয়নননা এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদতা শরুক য়ারক্লিবা স্পেন মচা পেদ্রো মাঞ্জি কুমজা ২০১৮-১৯গী আই লীগতা চেন্নাই সিটি এফ সীদা শরুক য়াদুনা পূন্না পাঞ্জল ২৬ চনবা ঙমখিবা শান্নরোয় অমনি। মহাক্কা ফোঙদোরকপদা, এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদতা শরুক য়াদুনা ক্লব অসিগী অমদি ক্লব অসিবু পামজবা ভাবোকশিংগীদমক্তা মহাক্কী মায়কৈদগী অফবা পর্ফোর্মেন্স কয়া উৎতুনা ক্লব অসিবু হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী অহেনবা থাক্তা পুখৎননবা হোৎনগনি হায়খি। অনৌবা শান্নরোয় অনী য়াওরকপনা ক্লব অসিগী পাঙ্গল হেনগৎলগনি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী ভাবিনাবেন টোকিও পেরালিম্পিক্সকী টেবল টেন্নিসতা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



টোকিও, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
জপাননা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং টোকিওদা থা অসিগী ২৪দগী হৌখিবা পেরালিম্পিক গেমসকী শরুক অমা ওইনা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্লাস ফোর টেবল টেন্নিস ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিয়ন ভাবিনাবেন পটেল প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ভাবিনাবেন পটেলনা ঙসি শান্নখিবা ক্লাস ফোর টেবল টেন্নিস ইভেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱর্ল্ড নম্বর ৯ ওইরিবী গ্রেট বৃটেনগী মেগান সাক্লেটনবু ১১-৭, ৯-১১, ১৭-১৫, ১৩-১১দা মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ১২দা লৈরিবী ভাবিনাবেন প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

টোকিও মেট্রোপোলিটান জিম্নেসিয়মদা পাঙথোকপা নুপীগী ক্লাস ফোর টেবল টেন্নিস ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা মায় পাক্তবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোনগা লোয়নননা শান্নবা হৌরকখিবা অদুদা গ্রেট বৃটেনগী সাক্লেটনগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ভাবিনাবেন পটেলনা ঙসি মায় পাক্তুনা মহাক্কী গ্রুপ অদুদগী মকোক থোংবা শান্নরোয় চাইনাগী ঝৌ য়িংগা লোয়নননা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। নীংশিংবা য়াই, গ্রুপ অসিদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী চাইনাগী ঝৌ য়িংগী মখূৎতা ইন্দিয়াগী ভাবিনাবেন অহানবা রাউন্দদা গেম ০-৩দা মায়থীবা নংখিবনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সোনালবেন মনুভাই পটেলসু ঙসি অথেংবদা কম্পিটিসন অসিগী মখা তাবা রাউন্দ শান্নগদৌরি। ভাবিনাবেন পটেলনা রাউন্দ ২ শান্নবদা অমা মায়থীরগা অমা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংবগা লোয়নননা ইভেন্ট অসিগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

# মেঞ্চেষ্টর সিটিনা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো সাইন তৌনবা শেম শাখ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
তোঙান-তোঙানবা মীদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ চেম্পিয়ন ক্লব ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মমিং লৈরবা শান্নরোয় পোর্টুগাল মচা হৌজিক-হৌজিক্কা ইটালিগী ক্লব য়ুভেন্টসতা শান্নরিবা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো সাইন তৌননবা শেম শাদুনা লৈরে হায়রি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ইংলেন্দগী অতোপ্পা ফুটবোল ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরদা শরুক য়ারিবা ইংলেন্দগী কেপ্টেনসু ওইরিবা হেরি কেন লৌশিন্ননবা হোৎনরম্বা অদু হেরি কেনগী মায়কৈদগী হোটস্পরদা চৎলিবা সিজন অসি অদুম্মক শান্নখিগনি হায়রকপদগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোবু খূৎয়েক পীননবা শেম শারকপনি। ক্লব অদুগী মায়কৈদগী ষ্ট্রাইকর সর্জিও এগুইরোনা বর্সেলোনাদা চৎখিবদগী ষ্ট্রাইকর অমা ৱাৎলিবা অদু মেনশিন্ননবা হোৎনরকপদা মথংগী সিজনদা য়ুভেন্টসকা কন্ট্রেক্ট লোইরগদবা রোনাল্ডোবু লৌশিন্ননবা থবক পায়খৎলকপনি হায়রি।

# পি এস জিনা কিলিয়ন মাপেবু রিয়াল মাদ্রিদনা লৌবগী ৱাফম য়াখিদ্রে




পেরিস, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):
ফ্রান্সকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেন (পি এস জি)গী স্পোর্টিং দিরেক্টরনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ক্লব অদুগী ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা কিলিয়িন মাপেবু স্পেনগী ক্লব রিয়াল মাদ্রিদনা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১.৮দা ট্রান্সফর তৌনবগী থল্লকখিবা ৱাফম অদু য়াখিদ্রে।

স্পোর্টিং দিরেক্টর ওইরিবা লিওনার্দোনা ফোঙদোকখিবদা, পি এস জিদা পীরকপা ওফর অদু মখোয়না পাম্বা শেনফমদগী হন্থে হায়না ফোঙদোরকপনি। ক্লব অসিগী মায়কৈদগী মখা তারদুনা মাপেনা অতোপ্পা ক্লবতা চৎখিবা মতমদা অথিংবা লৈরোই। অদুবু ক্লব অসিগী লৈরিবা চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না শেলগী মতাংদা য়ানবা অমা পুরক্লবা মতুংদা চৎপা য়াগনি হায়রি।

মহাক্কা ট্রান্সফর ৱিন্দোগী মনুংদা মাপেনা অতোপ্পা ক্লবতা চৎখিবদা অথিংবা লৈরোই। অদুবু ক্লব অসিগী ওইনা থল্লিবা কন্দিসনশিং অদুদি ঙাক্লা চৎকদবনি হায়রি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

## PUZZLE NO. 211



**Vasicek, Frantisek - Stulik, Vlastimil**
**Zlin (11), 1943.12.19**

| | | |
|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e5 | 3.dxe5 Ne4 |
| 4.g3 Bc5 | 5.e3 Qe7 | 6.Nf3 Nc6 |
| 7.Qd5 f5 | 8.exf6 Nxf6 | 9.Qd1 d6 |
| 10.Bg2 Ne4 | 11.a3 a5 | 12.O-O Bg4 |
| 13.Qc2 O-O | 14.Nd4 Ng5 | 15.Nxc6 bxc6 |
| 16.Bxc6 Rad8 | 17.Bg2 Nh3+ | 18.Kh1 Rf3 |
| 19.Nc3 Qf7 | 20.Nd1 Re8 | 21.b3 Re6 |
| 22.Ra2 Qh5 | 23.e4 g5 | 24.Bxh3 Qxh3 |
| 25.Rg1 Rf4 | 26.Qd3 Qxh2+ | 27.Kxh2... |

**QUESTION :**
**Black to Win**

**Puzzle 210 Ans. :**
19. ...Kf8 20.Nd7# Dragonfly mate
20. Nd7#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com